## ‘লৈঙাক্কী ওজাশিংগী তোলোপ হন্থনা পীনবা হোৎনরে’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): মণিপুরদা পাল্লিবা লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর, এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী লমজিং মখাদা স্কুল ফগৎহনসি হায়বা অহানবা খোঙথাং অমা ওইনা স্কুল এদ্যুকেসনগী মখাদা থবক তৌরিবা প্রাইমারী ওজাদগী লেকচর ফাওবগী তোলোপ হন্থবা স্কেলদা পীনবা ওর্দর থোকখ্রে হায়না ওল মণিপুর ইল্লিমেন্টরি স্কুল টিচরস এসোসিএসন (এমেস্তা) জোন ৱানগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন গনধানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুর সর্ভিস (রিভাইস পে) রুল ২০১৯ গী ওর্দর মতুংইন্না খ্বাইদগী পীকপা স্কেলদা প্রাইমারী টিচরগী লুপা ৫২০০-২০,৪০০ প্লস গ্রেদ পে ২৪০০ ওইরি। গ্রেজুয়েট টিচরগীনা ৫২০০-২০,৪০০ প্লস গ্রেদ পে ২৮০০, লেকচররগী লুপা ৯৩০০-৩৪,৮০০ প্লস গ্রেদ পে ৪৪০০ নি। মতম কুইনা ষ্ট্রাইক তৌরুবদগী মমাঙগী লৈঙাক্না তরুকশুবা পেগী মণিপুর সর্ভিস রিভাইস পে রুল ২০১১ গী মতমদা পীরম্বা তোলোপনা প্রাইমারী টিচরদা লুপা ৯৩০০-৩৪,৮০০ প্লস এ জি পি ৩০০০ নি। গ্রেজুয়েট টিচরদনা লুপা ৯৩০০-৩৪,৮০০ প্লস এ জি পি ৩৯০০ নি। লেকচররদনা লুপা ৯৩০০-৩৪,৮০০ প্লস এ জি পি ৪৮০০ নি। তোলোপ হেনগৎপগী মহুৎতা হৌজিক ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী অশোয়বা ওর্দরনা লৈঙাক্কী ওজাশিংদা তাথরগা পীনবা তৌরি। প্রাইমারী টিচরগী এন্ট্রি স্কেল লুপা ৪১০০ প্লস গ্রেদ পে লুপা ৬০০, গ্রেজুয়েট টিচর এন্ট্রি স্কেলদা লুপা ৪১০০ প্লস গ্রেদ পে লুপা ১১০০, লেকচররদা গ্রেদ পে লুপা ৪০০ নি। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা ওজাশিংবু তৌগে হায়বগী মতাগুম তৌদুনা ভিক্টিমাইজ তৌবনা ওজাশিং পেন্নদ্রে। ওজাশিংনা কাউন্সীল ওফ টিচর এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জোন ৱানগী মখাদা লৈবা ওজাশিংনা থা অসিগী ৭ কী অয়ুক পুং ১১ তাবদা খোয়াথোং থাংমৈবন্দ তোম্বীসনা প্রাইমারী স্কুলদা জেনরেল বোদি মীটিং অমা পাঙথোক্লগনি। জোন ৱানগী মখাদা লৈবা ওজাশিংনা শোয়দনা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ইনভাইট তৌরক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ কিংদমদা থা অসিগী ৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা তরেৎলকশুবা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স ওফ ওটোলরিনগোলোজি ঈ এন টি সর্জরিদা ৱা ঙাংনবগীদমক হৌজিক নেপালগী নোভেল মেদিকেল কোলেজদা ঈ এন টি হেদ ওফ দিপার্টমেন্টকী থৌ পুরিবা মোইরাংখোম সৌগাইজম লৈরক্তগী ডা. রাজকুমার বেদজিৎতা ইনভাইট তৌরক্লে। কনফরেন্স অসিগী থীমদি ভেল্যুএবল ইনসাইট ফোর এদভান্স ওফ ওটোলরিনগোলোজিনি হায়রি।

## অর্বান সিটি, আই এম সীনা কোনবা মফমশিংদা মহুদনা চাউখৎ-থৌরাংগী থবক পায়খৎলি : হরিকুমার

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): অর্বান সিটি, আই এম সীনা কোনবা মফমদা দিভলপমেন্ট পীনবা মহুদ লৈরিবনি হায়না মহুদকী সেক্রেটরি টি ঐচ হরিকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।



পাউচে অসিগা অখন্নবা উনবদা টি ঐচ হরিকুমারনা হায়খি, মহুদনা লৈরিবসি অর্বান, মণিপুরদা লৈরিবা সিটি, ইলেক্টোরেল বোদিগী ওইবা সেঙ্কসন তৌনবা অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসন তৌনবনি। সিটিজনশিংগীদমক মতম মতমগী ওইনা লৈঙাক্না শেম্বদা অৱাৎপা লৈরিবশিং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী খুথাংদা পায়খৎনবা লম্বী শম্বনি। মহুদনা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেটকী ফন্দিংদা থবক পায়খৎলি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ফন্দিংদা স্কিম, প্রোজেক্ট কয়া লৈরি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকীদি মতম মতমগী ওইনা পায়খৎপনি। হুদকো, ঈ দি বিনচিংবগী প্রোজেক্ট লাকপসু য়াওই। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী দিভলপমেন্ট ফন্দগী পায়খৎলিবসি সেন্ট্রেল ফাইনান্স কম্মিসনগী মখাদা এৱার্দ তৌবা চহী গী শেম্বা লৈরি। ১৪ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী মথংদা ১৫ শুবা মথং মথং লাকপনি। গ্রান্ট অমসুং পর্ফোমেন্স লিঙ্ক গ্রান্ট হায়নসু লৈরি।

বেসিক গ্রান্ট হায়বসিনা ষ্টেট ফাইনান্স কম্মিসন্না লেপ্পা মওংদা পী। আই এম সীনা কোনবা মফমদা দিভলপমেন্ট পীনবা ফন্দিংনি। ১০০ গী মনুংদা ৭৫ কী রেসিওদা পীবনি। আই এম সীগী কম্মন ফেসিলিটিদা পীবনি। বেসিক গ্রান্ট অসি সেন্ট্রেল ফাইনান্স কম্মিসনগী ওইনা লৈবনি। আই এম সীনা চহী-চহীগী পর্ফোমেন্স পীরগদি মমাঙ চহীদা পীখিবা পর্ফোমেন্স অদুদা কম্পিয়র তৌরগা য়েংই। সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট ৱার্টর সপ্লায়নচিংবা তৌই। আই এম সীগী মনুংদা হায়রিবা সর্ভিস অসিদা মীয়াম্না ফংগদবা মরুওইবা অমসুনি। সর্ভিস লেভেল বোনস মার্ক হায়নসু লৈরি। চহী-চহীগী ওইনা কন্টিন্যুটি লৈগদবনি। চার্টর একাউন্টেন্ট, লোকল ফন্দ ওদিটনচিংবনা সার্টিফাইদ তৌগনি। হৌজিক চৎনরিবসি ষ্টেটকী ওইনদি মশাগী কাজরকপা ইনকমগী মতুংইন্না চীংদা লৈবা ওইরবসু লোকল বোদিদা লৈরিবশিংনসু করম্না শীজিন্নগনি হায়বদুনি।

সেন্টরনা পায়খৎপা স্কিমশিংদা হাউজিং ফোর ওল, ইন্দিবিজ্যুএল হাউসহোল্ড লেট্রিন, স্বাছ ভারত মিসন, নেসনল অর্বান লাইভলিহুদ মিসন হায়বা ফ্লেগশিপ প্রোগ্রাম য়াওরি। হাউজিং ফোর ওল হায়বসি খ্বাইদগী লায়রবা ইমুংদা পীবনি। সবসিদি ১.৫ লাখনি। তাঙ্কক অহুমদা পীবনি। অরোইবা ফেজ ওইনা ইলেক্সন মমাঙদা লোইখ্রে। মণিপুরগী ওইনসু বেনিফিসরি লিশিং ৪০ টার্গেট থম্লগা পায়খৎপনি। ইমুং অদুগী মচাগা লোয়ননা পুন্না লৈবা ওইগদবনি। ইমুংদুগী নুপী নৎত্রগা নুপা অমদি অপূনবগী ওইরবসু পাট্টা পায়বা ওইগদবনি। চহী অমদা লাখ ৩০ দগী হেন্না ইনকম লাকপা য়াদে। য়ুমদুসু ফিট ৩০ গী লমদা শাগদবনি। মশানা শেল খরা হাপ্লগা চাউথোক্না শাবা য়াই। আধার লিঙ্ক তৌগনি, বেঙ্ক একাউন্টদা চঙগনি। আই এম সীগী সর্ভে তৌবদা ক্বালিফাইদ ওইবদা পীগনি। ইমা কৈথেলগী মথকশিং হাংলিবা অসি কৈথেল শাবা মতমদা ইমাশিং অমদি এসোসিএসনগা য়ানখিবা লৈরি। ওফিস, বেঙ্কনচিংবদগী হেন্না শীজিন্নরোই হায়বনি। মতমগী মতুংইন্না হাংদুনা লৈবদি য়ারক্লোই। করম্বা মওংদা পায়খৎকনি হায়বসি টাউন প্লান্নিংগী খুথাংদা খন্নগনি হায়খি।

মহুদকী মখাদা ম্যুনিসিপাল এরিয়াগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া য়েংশিনবগী থবক চথরি। সেন্টরগী তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া মহুদকী খুথাংদা পায়খৎতুনা লাক্লি। ম্যুনিসিপালিটিনা কোনবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা দিভলপমেন্টকী থবক পায়খৎপা মতমদা মহুদনা য়েংশিনবগী থবকসু চথরি। অর্বান প্লান্নিং কয়াসু দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা পায়খৎলি। সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেটকী তোঙান তোঙানবা স্কিম অমদি প্রোজেক্ট কয়াসু মহুদনা পায়খৎতুনা লাক্লি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## ঐচ এস এল সী এগজাম ২০১৯ দা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা পাস তৌবগী চাং থৌবাল অমদি ককচিংনা ৱাংনা চৎলি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট (ঐচ এস এল সী) এগজাম ২০১৯ দা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা থারিবা মহৈরোয়শিংগী মনুংদা পাস তৌবগী চাং অসি থৌবাল অমদি ককচিংনা ৱাংনা চৎলি।

বোসেমগী রিপোর্ট মতুংইন্না ঐচ এস এল সী এগজাম ২০১৯ দা থৌবাল অমদি ককচিংগী ওইনা পুন্না মহৈরোয় ৬৭৪০ থাবগী মনুংদা ৫৫৩৩ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৮২.০৯ নি। ইম্ফাল ৱেষ্টতা মহৈরোয় ৭১১৫ থাবগী মনুংদা ৫২২২ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৭৩.৩৯ নি। ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং জিরিবামদা মহৈরোয় ৫৬৯০ থাবগী মনুংদা মহৈরোয় ৩৯৬৯ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৬৯.৭৫ নি। বিষ্ণুপুরদা মহৈরোয় ৩৪৬২ এগজাম থাবগী মনুংদা মহৈরোয় ২৪৯২ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৭১.৮৮ নি। উখ্রুল অমদি কামজোংদা মহৈরোয় ২৪৬৬ থাবগী মনুংদা ১৯২৪ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৭৮.০২ নি। চুড়াচান্দপুর অমদি ফেরজোলদা মহৈরোয় ৩৫৭৬ এগজাম থাবগী মনুংদা ২৭১০ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৭৫.৭৮ নি। সেনাপতি অমদি কাংপোকপীদা মহৈরোয় ৪৪৭৬ এগজাম থাবগী মনুংদা ৩৩৮০ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৭৫.৫১ নি। তমেংলোং অমদি নোনেদা মহৈরোয় ১৬০৯ এগজাম থাবগী মনুংদা ১০৭৯ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৬৭.০৬ নি। চান্দেল অমদি তেংনৌপলদা মহৈরোয় ২০০৪ এগজাম থাবগী মনুংদা মহৈরোয় ১৪৩১ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৭১.৪১ নি।

ঐচ এস এল সী ২০১৯ দা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদগী এগজাম থাখিবা মহৈরোয় মশিং অসি ৮৭১৫ নি। মসিগী মনুংদা মহৈরোয় ১৪০৫ ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌখি। মহৈরোয় ৩০১৭ না সেকেন্দ দিভিজন অমদি মহৈরোয় ২৬৪ না থর্দ দিভিজনদা পাস তৌখি। পুন্না পাস তৌখিবা মশিংনা ৪৬৮৬ নি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৫৩.৭৭ নি। এদেদ স্কুলগী ওইনা মহৈরোয় থাবা মশিং অসি পুন্না ১৬৭৪ নি। মসিগী মনুংদা মহৈরোয় ৩০২ ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌখি। মহৈরোয় ৬৯১ না সেকেন্দ দিভিজন অমদি মহৈরোয় ৪৬ না থর্দ দিভিজনদা পাস তৌখি। পুন্না মহৈরোয় ১০৩৯ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৬২.০৭ নি। প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওইনা পুন্না মহৈরোয় ২৬৭৪৯ এগজাম থাখি। মসিগী মনুংদা ফর্ষ্ট দিভিজনদা মহৈরোয় ১২৭১৬ পাস তৌখি। সেকেন্দ দিভিজনদা মহৈরোয় ৯০৩৮ অদুগা থর্দ দিভিজনদনা মহৈরোয় ২৬১ পাস তৌখি। পুন্না পাস তৌখিবা মশিংনা ২২০১৫ নি। পাস তৌবগী চাংনা চাদা ৮২.৩০ নি হায়রি।

এগজাম অসিদা পুন্না মহৈরোয় ৩৭১৩৮ না শরুক য়াখি। মসিগী মনুংদা মেল রেগ্যুলরদা মহৈরোয় ১৬৯৪০ থাখি। মহৈরোয় ১৩৩৭০ পাস তৌখি। ফিমেল রেগ্যুলরদা মহৈরোয় ১৭২৩৭ এগজাম থাখি। মহৈরোয় ১৩১৯৩ পাস তৌখি। মেল এক্সটর্নেলদা পুন্না মহৈরোয় ১৪০২ এগজাম থাখি। মসিগী মনুংদা মহৈরোয় ৫১২ পাস তৌখি। ফিমেল এক্সটর্নেলদা মহৈরোয় ১৫৫৯ এগজাম থাখি। মসিগী মনুংদা মহৈরোয় ৬৬৫ পাস তৌখি। ঐচ এস এল সী এগজাম ২০১৯ গী মেল রেগ্যুলরদা এগজাম থাখিবা মহৈরোয় ১৬৯৪০ গী মনুংদা মহৈরোয় ৭০৮১ ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌখি। ৬১২০ না সেকেন্দ দিভিজন, মহৈরোয় ১৬৯ না থর্দ দিভিজনদা পাস তৌখি। ফিমেল রেগ্যুলরদা মহৈরোয় ১৭২৩৭ এগজাম থাবগী মনুংদা ফর্ষ্ট দিভিজনদা মহৈরোয় ৭৩১২, সেকেন্দ দিভিজনদা ৫৭৭১ অমদি থর্দ দিভিজনদা ১১০ পাস তৌখি।

## আই জে য়ুনা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): উত্তর প্রদেশকী মির্জাপুর দিষ্ট্রিক্তা জর্নেলিষ্ট অমনা রিপোর্টিং তৌবদা জর্নেলিষ্ট অদুগী মথক্তা এফ আই আর পানশিনবগীদমক য়ু পি গভর্ণমেন্টবু কন্দেম তৌই হায়না ইন্দিয়ন জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (আই জে য়ু) গী সেক্রেটরি ৱাই নরেন্দর রেদ্দিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হিন্দী পব্লিকেসন জনসন্দেশকী পৱন জাইসৱালনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী প্রাইমারী গভর্ণমেন্ট স্কুল অমগী ফ্লোরদা অঙাং অমনা তল অমদি থুম চাবগী ভিদিও অমা নমখি। মদু ভাইরেল ওইরকখি। ব্লোক এদ্যুকেসন ওফিসরনা পৱন অমদি অতোপ্পা মীওই অনীগী মথক্তা কমপ্লেন্ট ফাইল তৌখি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা আই জে য়ুগী এক্টিং প্রসিদেন্ট গীতার্থা অমদি সেক্রেটরি জেনরেল লোয়ননা আই এফ জেগী ভাইস প্রসিদেন্ট সবিনা ইন্দ্রজিৎকী মায়কৈদগী য়ু পি গভর্ণমেন্টনা কেস অসি ৱিদ্রো তৌনবা দিমান্দ তৌরি। পৱননা মহাক্কী মথৌ তৌদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মীৎয়েং চঙনবা রিপোর্ট তৌবনি। তল অমসুং থুম পীজে হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা মীওই অনী সস্পেন্দ তৌখিবসু লৈখ্রবনি।

আই জে য়ুগী চেরোল অদুনা হায়, উত্তর প্রদেশতা মীদিয়ানা রিপোর্ট তৌবগী নীং-তম্বদা অপনবা থৌদোক থোক্লি। জর্নেলিষ্টকী মথক্তা এফ আই আর পানবগী থৌদোক অসি হন্দক্লা অহানবা নত্তে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): রিলরাম সেন্টর পব্লিক হেল্থ সেন্টরবু প্রাইভেট এন জি ও অমদা শিন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৌখিবা ফিরেপ য়ানিংদে হায়না রিলরাম এরিয়া মরিং ওর্গনাইজেসন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, রিলরাম সেন্টর পি ঐচ সী অসি রিলরাম এরিয়াদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মরিং ভিলেজ ২০ লোম হেনবগী অমত্তা ঙাইরবা হেল্থ সেন্টর অমনি। কুমজা ২০১১ দা পি ঐচ এস সীদগী পি ঐচ সীদা অপগ্রেদ তৌখিবনি। কুমজা ২০১১ দা শাবা হৌখিবা পি ঐচ সী অসিগী বিল্ডিং হৌজিক ফাওবা লোইশিন্দনা লৈরি। বিল্ডিং অসি মপুং ফানা লোইশিন্দবা অমদি মেদিকেল ইক্বিপমেন্টকী অৱাৎপা কয়া লৈবনা মপুং ফানা ফঙ্কসন তৌবা ঙমদনা লৈরিবনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পি ঐচ সী অসি মপুং ফানা ফঙ্কসন তৌহনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## সেপ্টেম্বর ৫ দা ওজাগী নুমীৎ পাঙথোকপা অথিংবা থম্লে, খুদোলপোৎতা হিদান্নরকপা কন্দেম তৌই : জে এস সী সী




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): ওজাগী নুমীৎকা মরী লৈননা ওজাদা মহৈরোয়শিংনা পীবা খুদোলপোৎতা হিদান্নরকপগী মওংদা লক্সরি আইটেম গীফ্ট পীবা হিদান্নরকপা অসিনা মরম ওইরগা ওজা অমদি মহৈরোয়গা লৈনবা মরীদা চাউনা অমোৎপা শক্তম অমা লাক্লিবসি কন্দেম তৌই। সেপ্টেম্বর ৫ দা টিচরস দে তৌবদা অথিংবা থম্লে হায়না জোইন্ট ষ্টুদেন্টস কোওর্দিনেসন কম্মিটি (জে এস সী সী) কনভিনর পিটর লাইশ্রমনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

এমসুগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা পিটর লাইশ্রমনা হায়খি, ওজা অমদি মহৈরোয়শিংগা লৈনরিবা মরী অসিদা গীফ্টনা মহুৎ শিল্লকপা, লৈত-লায়র মহৈরোয়শিংনা পীবা ঙমদবনা মরম ওইরগা নুংশিবা লৈররোইদ্রা হায়বসি ৱাহং অমনি। ওজা অমদি মহৈরোয়শিংগী মরীদা টিচরস দে নুমীৎকা মরী লৈননা গীফ্ট পীবদা হিদান্নবা অসি তৌদনবা আপিল তৌরি। লাক্কদৌরিবা সেপ্টেম্বর ৫ দা ইনষ্টিট্যুসনশিংদা টিচরস দে তৌবদা অথিংবা থম্লে। টিচরস দে তৌদনবা আপিল তৌরি।

লাইবক থীবা থৌদোক অমদা স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদেমীদা মহৈরোয় অনীবু য়েক্লবগুম য়াম্না তমথিনা ওগষ্ট ২৯ দা ফূখিবা থৌওং অদুসু জে এস সী সীনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। হিরম অসিগী মতাংদসু মীৎয়েং চঙলগনি।

ওজাগী নুমীৎকা মরী লৈননা মহৈরোয়শিংনা ওজাদা খুদোলপোৎ পীবদা হিদান্নবগী মওংদা লাকপসিনা মরম ওইরগা ওজাগা মহৈরোয়গা লৈনরিবা মরীদা অমোৎপা শক্তম লাকপসি জে এস সী সীনা কন্দেম তৌই হায়রি।

## প্রেস ফ্রেটর্নিটিগী ৱাংমদগী শেলগী মতেং নীদনবা লেপ্পখ্রে : অমজু

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) গী ৪৬ শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম থা অসিগী ১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা প্রেস ফ্রেটর্নিটিগী ৱাংমদগী শেলগী মতেং নীদনবা অমজুগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা লেপ্পখ্রে হায়না অমজুগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওকেন্দ্রজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অমজুগী ওইবা থবক থৌরম খুদিংমক্তা প্রেস ফ্রেটর্নিটিগী ৱাংমদা শেলগী মতেং য়ারিবমখৈ নীদনবা ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা ফিরেপ অসি লৌরকপনি। অমজগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা লৌরিবা ফিরেপ অসিবু শৌগৎতুনা প্রেস ফ্রেটর্নিটি অমসুং পাউমীশিংগী মায়কৈদগী পাঙথোক্কদৌরিবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম অসিগী অঙন্বা মতেং পীবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ময়াই কাবা দ্রগকা কোন্নবা ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী ইন্সপেক্টর অমদি এস আই অমনা এন্টি সোসল ইলিমেন্ট প্রিভেন্সন য়ুথ কম্মিটিগী মেম্বরশিংগা লোয়ননা থি-হুম্বগী থবক চথবদা মীওই অমা দ্রগকা কোন্ননা ফারে। ফারবা মীওই অদুদি, লিলোং চিংখম মখাদগী এম দি বি এম অনুৱার খান কৌই। এস পি কেপসুল ৮৩৬, দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ১৮২ অমদি ইল্লিগেল কপ সিরাপ বট্টল অনী ফংলে। কেস অমা লিলোং পি এসতা রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়রি।

## ঝুলোনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): লাইশ্রম মনি গৌর সঙ্গীত একাদেমী থৌবাল ৱাংখেমনা কুমসি চহীগী ঝুলোনগী থৌরম দিরেক্টোরেট ওফ আর্ট এন্দ কলচর মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা মমাঙ থাগী ১১ দা ককচিংতাবম সুরজমনি, থৌবাল ৱাংখেমগী মান্দপতা পাঙথোকখ্রে হায়না একাদেমী অদুগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অদুদা হুয়েন লালোং মণিপুর থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন, ইরিলবুংগী দিরেক্টর কে সনাথোইবা অমসুং একাদেমী অসিগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম শ্যামকিশ্বরনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা থাংজম দসরট, গুরু লাইরিক হায়বা ওজানা চহীসিগী মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা কলা ভুষন অখন্নবা মনা পীরকপসু ওকখি হায়রি।

## য়ু পি এফ মণিপুরনা কসোম খুল্লেন্দা মেদিকেল কেম্প পাঙথোক্তুনা অনা-লায়েংগী থবক চথখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): তীঙ্গং-কায়জংদবা, মশা-মউ ফবা মীওই ওইনবা অমদি চাউখৎপা মণিপুর ওইনবগী পান্দমদা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) মণিপুরনা ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৬৪ রোম চৎলগা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কসোম খুল্লেনগী ভিলেজ ওথোরিটি ওফিসতা মেদিকেল কেম্প পাঙথোক্তুনা অনা-লায়েংগী থবক চথখ্রে।

দিরেক্টোরেট ওফ আয়ুশ, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা শীনবা মেদিকেল কেম্প অদুদা দেপ্যুটি দিরেক্টর আয়ুশ ডা. এস বিশ্বনাথ, ডা. ইবোতোন (হোমিওপেথিক ফিজিসিয়ন), ডা. এল সুরজ (আর্য়ুবেদিক), ৱাই শান্তিকুমার (ফার্মাসিস হোমিওপেথি), এম সুরচন্দ্র (ফার্মাসিস), ও জে য়েনবাসু শরুক য়াখি। মেদিকেল কেম্প অসিগা মরী লৈননা য়ু পি এফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু সেকেন্দনা ফোঙদোকখিবদা, মেদিকেল কেম্প অসি মণিপুরগী ওইনা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংদ্রবা মফমশিংদা আয়ুশ দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকপনি। অসিগুম্বা মেদিকেল কেম্প অসি চীং অমসুং তমগী ওইনা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা নীংথিনা ফংদ্রিবা মফম কয়াদা মখা চথখিগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কসোম খুল্লেন ভিলেজ ওথোরিটিগী সেক্রেটরি সিংলাই য়ুপ্রাঙমনা ফোঙদোকখিবদা, মেদিকেল কেম্প অমা খুল অসিদা শীনবসি খুল অসিগী ওইনা লাইবক ফবনি। ইম্ফালদগী লাক্তুনা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহনবা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। য়ু পি এফ মণিপুরবুসু থাগৎলি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মেদিকেল কেম্পকা লোয়ননা নেসনল ন্যুট্রিসন ৱিক থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ৯ শুবা সেক্তর অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা নেসনল ন্যুট্রিসন ৱিক্না মরী লৈননা হেল্থ এৱ্যেনর্নেস প্রোগ্রাম অমদি মেদিকেল কেম্প অমা স্নেহা ভবন ওর্ফানেজদা পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অদুদা বট্টালিয়নগী মেদিকেল ওফিসরশিংনা অফবা চীঞ্জাক চাদুনা হকচাং ফনা লৈনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। বেলেন্স দাইট অমদি অফবা চীঞ্জাক চাবনা হকচাংদা পীবা কান্নবা কয়াগী মতাংদসু ৱাফম কয়া থমখি। তুংদা মেদিকেল কেম্প অমসু পাঙথোকখি। বট্টালিয়নগী মেদিকেল ওফিসর কয়া য়াওনা লেম্না লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখিবা অদুদা অঙাং ১৫০ হেন্না লায়েংখি। তোঙান তোঙানবা লায়না মখল কয়া লায়েংখি। হিদাক লাংথকসু লেম্না য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুগী লোইশিল্লকপদা ফর্ষ্ট এইদ কিট অমদি ন্যুট্রিসনল সপ্লিমেন্ট কয়াসু খুৎশিন্নরমখি হায়রি।

অমরোমদা, আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ১০ শুবা সেক্তর অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরদা লৈবা ভিলেজদা সিক্যুরিটি মীট পাঙথোকখ্রে। কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী আই সী পোষ্টতা পাঙথোকখিবা মীট অদুদা খুল অদুগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

## শওম্বুং ভেটিরিনরি হোস্পিটাল কেম্পসতা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): য়ৌর্বুং খুনৌ চঙফম লমখায়দা লৈরিবা শওম্বুং ভেটিরিনরি হোস্পিটাল অসি চহী ১০ গী মমাঙদা শাবা হৌরম্লগা লোইশিন্দবনা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়াগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাফম ওইশিল্লকপা, শানৈ-য়ুনৈফম ময়ামগী পুনফম ওইরকপদগী ঙসি হোস্পিটাল অসিগী কেম্পস মনুংদা মৈরা পায়বী ইমা-ইবেলশিং, য়ুথ স্পোর্টিং ক্লব অমদি য়ৌর্বুং খুনৌ দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা পুন্না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে হায়না য়ৌর্বুং খুনৌ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি বিরেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ৱাকৎ মীফম চথরবা মতুংদা জে এ সী অমসু শেমখ্রে। জে এ সীনা ৱারেপ কয়াসু লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি, অথুবা মতমদা হোস্পিটাল অসি শাবা লোইশিন্নবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা তকশিনবা, হোস্পিটালগী অকোয়বদা ফেন্সিং খাজিনবা, মফম অসিদা শোংজিল্লিবা নাপী-শিংনাং অথুবা মতমদা কোকথোকহনবা, হোস্পিটাল অসিগী কেম্পস মনুংদা চঙদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা অমদি ফত্ত-হাওদি তৌশিনবা পুন্নমক থেংনরবদি ফাইনগা লোয়ননা লোগী মতেং লৌবা হায়নসু লেপ্পখি।

ৱাকৎ মীফম অদুনা খন্নখ্রবা ৱাফম অসিদা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী অথুবদা পোজিটিভ রেস্পোন্স ফংদ্রবদি জে এ সীনা মীয়ামগা খুৎশম্নরগা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়নসু কম্মিটি অদুগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

## উ-চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): অদাম অমদি মেনেজমেন্ট কম্মিটি অঙান চীং ইকো পার্ক ককচিংনা দি এফ ও থৌবাল অমসুং আর এফ ও ককচিংগা খুৎশম্নরগা নোংমাইজিং খুদিংগী অয়ুক্তা চথবা সন্দে ইকো ক্লবকী শরুক অমা ওইনা মমাঙ থাগী ১০ দা অঙান চীং ইকো পার্কতা উ-চারা থাখ্রে হায়না অদামগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চীফ মিনিষ্টরগী গ্রীন মণিপুর মিসনগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইনা খনখ্রবী ভেলেন্টিনা এলাংবম, অপোকপা প্রেমকুমার, হিয়াংলম মখা লৈকায়বু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা মাস ট্রী প্লান্টেসন প্রোগ্রাম অদু অয়ুক পুং ৭ তগী পুং ৯ ফাওবা পাঙথোকখি। উ থাসি, উ হিংহনসি হায়বগী পান্দমদা পাঙথোকপা সন্দে ইকো ক্লবকী থৌরমদা ইনভাইরনমেন্টপু নুংশিবা মীওই খুদিংমক্না শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

## ইন্টর কোলেজ লিটরেরি মীট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): ইরৈবাক ইরমদমবু নুংশিবগী ইহুল অমা হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংগী থম্মোয়দা লেংদনা লৈনবগী পান্দমদা থা অসিগী ২৪ অমসুং ২৫ দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) না চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ইন্টর কোলেজ লিটরেরি মীট ২০১৯ পাঙথোক্লগনি হায়না মুসু ২০১৯ গী কলচরেল সেক্রেটরি য়ুম্নাম জেমসনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অসিদা দিবেট, পেত্রিওটিক সোং অমসুং পেত্রিওটিক পোইমদা অথোই-অহেন তান্নগনি। মসিদা কোলেজ কোলেজগী অমদি য়ুনিভর্সিটিদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াবীয়ু। অথোই-অহেন তান্নবা অসিগী ফোর্মশিং সেপ্টেম্বর ৬ তগী কোলেজ কোলেজদা অমদি মুসুগী ওফিসতগী ফংগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা নুমীৎ থা অসিগী ২০ দা ওইগনি। মসিদা খুদিংমক্না থৌরম অসিবু মপুং ফাহনবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

LU~WANG FINANCE

POST VACANCY

Applications are invited from the intended candidates on a plain paper with his/her own handwriting with complete bio-data and recent 2x passport photos for the following post.

| Sl. No | Name of the post | No. of post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Field Assistant (Male) | 10 | Class-12 pass | Rs.7000-15000/- |
| 2 | Accountant (Female) | 5 | B.com | Rs.6000-15000/- |
| 3 | Office Secretary (Female) | 10 | Graduation | Rs.6000-15000/- |

(Other allowance + Bonus)

- Details can be acquired from the Head Office during the business hours. i.e., 10.30am to 4.30pm.
- Last date of submission - 4th September 2019.

Sd/- Lu ~Wang finance
Manager
Khoyathong Road, Thangal Keithel,
Imphal West (Head Office) Opp. PARAGON HOTEL.

HL-P/3983/30-2,4/9

ADMISSION OPEN

ENGLISH & RHYMES COURSES

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-P/3944/21/7-20/8